**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 30-04-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা সেক্যুরিতিগী অৱাংবা থাক্কী মীফমনা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) তমেংলোং জিলাগী খুল অনিগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী চরাংনবা থোকরপদগী ভারতিয়া নাগরিক শুরক্সা সনহিতাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

৩) এম.পি.সি.সিনা হায়রি- মণিপুর বিধান সভাগী এম.এল.এ খরনা অনৌবা সরকার শেমবা রাজ ভবনদা তকশিনবগী মহুৎতা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা চিঠি ইবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

৪) কেন্দ্রনা সরকারনা মেঘালয়গী শিল্লোংদগী অসামগী সিলচর ফাওবা লুপা কোতি লিশিং ২২,৮৬৪ চংনা পায়খৎকদবা অনৌবা হাইৱে শেমগৎপদা অয়াবা পীরে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্তরদা ৱার্ল্ড ওদিও-ভিজ্য়েল ইন্তরটেমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোক্লগনি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতিগী অৰাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি রাজ ভবন ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং নৌহৌননা য়েংশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

মীফম অদুদা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, দি.জি.পি- রাজিভ সিংহ, জি.ও.সি ফিফতি সভেন মাউন্টেন দিভিজন মেজর জেনেরেল এস.এস. কর্তিকিয়া, এ.দি.জি.পি (ইন্তেলিজেন্স) অসুতোস কুমার সিনহা, এ.দি.জি.পি (লো এন্দ ওর্দর) এল. কাইলুন, জোইন্ট দাইরেক্তর এস.আই.বি- নভদিপ সিংহ গ্রেৱাল অমসুং সি.আর.পি.এফ অমদি বি.এস.এফকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা চীফ সেক্রেতরি পি.কে. সিংহ, কম্মিসনার (হোম) এন. অশোক কুমার, জি.ও.সি থ্রি কোর- লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ এস. পেনধরকর, আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনেরেল রভরুপ সিংহ, আই.জি.এ.আর (ইষ্ট) মেজর জেনেরেল শুরেস কুমার বমভু শরুক য়াখি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা সেক্যুরিতি অমদি এদমিনিষ্ট্রেতিভ এজেন্সিশিংগী মরক্তা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা মণিপুর পুম্বদা শান্তি হঞ্জিনহনবা, মীয়াম অশোই অঙাম য়াওহনদবা অমদি মরা চেৎপা ফিভম অমা লৈহনবা হায়বসি মণিপুর সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী ইনরিয়াং লুৰাং অমসুং দাইলোং খুলগী মরক্তা লমগী ৱাহৌদগী চরাংনবা থোক্লে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট তমেংলোং, ডাঃ এল. অংসিম দাংসাৱানা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওল্ড তমেংলোং ভিলেজ অমসুং দাইলোং খুল অনিগী মরক্তা ঙমখৈগী মতাংদা ৱাথোক লাকপা অমদি ঙসি তমেংলোং হেদক্বাটরদা ওল্ড তমেংলোংনা রেল্লি শিনগনি হায়না তৌরিবা অদুগী য়েংলগা জিলা অদুদা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সি, লন থুম অমসুং শান্তি রক্সাদা অকায়বা পীরকপা য়াই

হায়বা চিংনবা লৈবদগী ভারতিয়া নাগরিক শুরক্সা সনহিতাগী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা অসি তমেংলোং হেদক্কটর, দাইলোং, দুইগাইলোং অমদি ওল্ড তমেংলোং ভিলেজগী ঙমখৈ পরিংদা চৎনগনি। অথিংবা অসি লৈরিঙৈদা মীয়াম পুনবা, রেল্লি চৎপা, মী মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না পুনবা য়ারোই। কনাগুম্বা অমত্তা শোক-পনবা য়াবা খুৎশু খুৎলায়শিং পুদুনা চৎপা য়ারোই হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ  কে.সি.পি (এম.এফ.এল) মীওই খরা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি মী ফাবগী থবকচিংবা তৌগদৌরে  হায়বা স্পেসিয়েল এক্সন ফোর্স ফোর এক্সটোরসন (সেফ) থৌবালনা পীরকপা পাউগী মতুংইন্না থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলস অমসুং বি.এস.এফনা হৈরোক পার্ট-থ্রি কবো লৈকাইদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা থি হুম্বগী থবক চখখি। মদুদা আইন্না থিংখ্রবা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা ফাবা ঙমখি। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম ফংবা ঙমলে। ফারবা মীওই অদু হৈরোক পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ     মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা সেক্সুয়েল হরাসমেন্ট ওফ ৱিমেন ওফ ৱার্ক প্লেস (প্রিভেন্সন, প্রোহিবিসন এন্দ রিদ্রেসেল) এক্ট ২০১৩ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমগা লোয়ননা স্কিল বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা থৌবাল জিলাগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিক তিনিংফম মোনসাং, জিলা অসিগী এ.দি.এম- বি. লোকেশ্বর শর্ম্মনচিংবা শরুক য়াখি।

মেঘচন্দ্র (এল)ঃ  মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়রি- মণিপুর বিধান সভাগী এম.এল.এ খরনা  অনৌবা সরকার শেমবা রাজ

ভবনদা তকশিনবগী মহুৎতা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা চিঠি ইবা হায়বসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- মখোয়না করিগীদমক রাজ্যপালদা চিঠি ইদ্রিবনো। মণিপুর অসি হৌজিক রাষ্ট্রপতি সাসন লৈরিবনি। মখোয়গী থৌওং অসিনা তাকপদি অনৌবা সরকার শেমবা রাজ্যপাল উন্নবা হায়বসিদা লুমা লৌদ্রে। মহাকা হায়- মণিপুর মীয়ামগী ৱারেপ মখোয়গী রাজনীতিগী কান্নবগীদমক লৌরোইদবনি। মণিপুর মীয়ামা অওনবা অমা পুরকপা পাম্মী। রাজ্য অসিগী মীয়ামা অনৌবা অওনবা অমা পাল্লি। মীয়ামা পাল্লিবা অনৌবা অওনবা অসি ঙাকা চৎকদবনি অমদি অওনবা অসিনা মণিপুর মীয়ামগী তুংগী য়াইফনবা ওইরক বা হোৎনগদবনি।

হন্দক্তা বি.জে.পি অমসুং মসিগা চুংশিন্নবা এন.পি.পি, এন.পি.এফ অমসুং জে.দি.য়ুগী এম.এল.এ ২১ না মণিপুরদা মখোয়গী সরকার থম্বীনবা প্রধান মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিদা চিঠি ইখিবা অদুগী মখা তারকপদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোরকপনি।

বিষ্ণুপুর(এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থিনুঙ্গৈ লোয়ালাকপা মল্টি পরপজ ইন্দো ষ্টেদিয়ম ঙসি বিষ্ণুপুর কেন্দ্রগী এম.এল.এ. গোবিন্দাস কোন্থৌজম অমদি মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল. থোঙাম শান্তিনা শাঙ্গদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। হোল অসি লুপা কোতি মরিরোম চংনা শাবনি। মসিগী মনুংদা লুপা লাখ ৮০ দি এম.এল.এ. লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগীনি।

থৌরম অদুদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-ষ্টেদিয়ম অসিগী মথক থংবা শরুক অসি য়োৎকী গেলারি অথুবা মতমদা হাপ্লগনি। মসিনা শান্নবা য়েংবা লাকপা ভাবোকশিংদা খুদোংচাহল্লগনি। ষ্টেদিয়ম অসি মীয়ামা লু-নান্না থমবসু শ্রী গোবিন্দাসনা আপিল তৌরি।

তুংদা, থিনুঙ্গৈদা শ্রী গোবিন্দাসনা ক্লব অমা শাননবা যাত্রা হুনখি। রোস ক্লব কৌবা মরুওইনা জিম শান্নফম অসি এম.এল.এনা মহাক্কী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী শাদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা খুৎশিন্নগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ  এক্সটেন্দেদ প্রধান মন্ত্রি শুরকসিৎ মাত্রিৎভা অভিয়ানগী মখাদা হাই রিস্ক প্রেগনেন্সিশিং খঙদোকপগী থৌরম চান্দেল জিলাগী চকপিকারোংদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ জোয়সন মেথিউ মোনসাংনা লুচিংবা কাংবু অমনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চকপিকারোং, খুবুম খুল্লেন অমসুং শজিক তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীরোনবী নুপী ৭১ দা এক্সটেন্দেদ প্রধান মন্ত্রি শুরকসিৎ মাত্রিৎভা অভিয়ানগী খুদোংচাবশিং ফংহনখি। মদুগী মনুংদা ওপসটেত্রিসনশিংনা মীরোনবী নুপীশিংগী ফিভম য়েংশিনবা, অলট্রা সাউন্দ লৌবা অমদি কাউন্সেল্লিং পীবনচিংবা খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীরোনবীশিংগী মনুংদা অরাপ্পা মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈবা মীরোনবী নুপীশিংদি থৌরম অদুদা শরুক য়ানবগীদমক ব্রান জিরো টু এম্বুলেন্স শিজিন্নখি।

থৌবাল (এল)ঃ  থৌবাল জিলাগী ওইনা নেসনেল টোবেক্কো কন্ত্রোল প্রোগ্রাম মখাদা জিলা থাক্কী ওইবা কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীফম ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী কোওর্দিসেন কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- জিলা অসিদা সিগরেটস এন্দ আদর তোবেক্কো প্রদক্স এক্ট ২০২৩ মপুং ফানা চৎনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সকা জিলা থাক্কী কোওর্দিনেসন কমিতিগা খুৎশমদুনা দ্রাইভ চথবা তঙাইফদে। মহে লোইশঙশিংগী অকোইবা য়াওনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চথদুনা ফাইন থিহনবগী থবক চথগদবনি হায়খি।

এময়ু (এল)ঃ   মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী এলুমনাই এসোসিয়েসন অমদি য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল (আই.কি.এ.সি)না শিন দুনা ভেল্যু এদেদ কোর্সেস অন্দর এন.ই.পি ২০২০, ইসুস এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুর

য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম.য়ু এলুমনাই এসোসিয়েসনগী জেনেরেল সেক্রেটরি প্রোফেসার সি.ঐচ. ইবোহলনা হায়- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কোর্স কয়া য়াওরি। কোর্সশিং অদুগী মগুন হেনগৎহনবা ভেল্যু সিষ্টেম হাপচিল্লক্লি। মদুগী মনুংদা মহৈরোইশিংদা থকশি খাসি, থৌগল্লোন ব্যাবহার খঙনা চৎনবা থৌরাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা সিষ্টেম কয়া হাপচিল্লক্লি হায়খি।

থৌরম অদুদা সিক্কিম ষ্টেট য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভি.সি. প্রোফেসার গোপাল কুমার নিরোলা সেত্রি, গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইজ্‌কেসনগী প্রোফেসার কাবেরি সাহ, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ ইজ্‌কেসনগী দিন প্রোফেসার প্রেমলাতা মৈস্নাম, আই.কিউ.এ.সিগী দাইরেক্তর প্রোফেসার এ. রাজমনি সিংহ শরুক য়াখি।

উখ্রুল (এল)ঃ উখ্রুলদা নোংমগী ওইবা এফ.এল.এন তিচিং লার্নিং মেটরিয়েল মেলা ফোর প্রাইমারি টিচরস ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্পেক্ট ওফ টি.এল.এম ওন লিটরেসি এন্দ নিউমরেসি স্কিল দিভলপমেন্ট হায়বা হিরমদা পাঙথোকপা মেলা অদু উখ্রুলগী জেদ.ই.ও বদন থাইমৈনা হৌদোকখি। উখ্রুল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা উখ্রুল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা প্রাইমারি স্কুল ১৭ লোমনা শরুক য়াখি ।

নিট (এল)ঃ নিট য়ু.জি. ২০২৫ গী পরিক্ষা মথং থাগী মরিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পরিক্ষা সেন্তর ১৪ দা পাঙথোক্লগনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমদি অশোই অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

কেবিনেট ঃ লাক্কদৌরিবা মীকোক থিবগী থবক্তা কাষ্ট মশিং থীবা য়াওননবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা কেবিনেট কমিতি ওন পোলিতিকেল এফ্যারসনা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- লাক্কদৌরিবা মীকোক থীবগী থবক্তা কাষ্ট মশিং থীবা হাপচিল্লগনি। মহাকা হায়- মীকোক থীবা হায়বসি কেন্দ্র থবকনি। মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য খরনা কাষ্ট সর্ভে নিয়ম চুমা পাঙথোক্লি। অদুবু অতোপ্পা রাজ্য খরদদি রাজনীতিগী খুদোংচাবা য়েংলগা পাঙথোক্লি। শ্রী অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- সরকারনা মেঘালয়গী শিল্লোংদগী অসামগী সিলচর ফাওবা লুপা কোতি লিশিং ২২,৮৬৪ চংনা পায়খৎকদবা অনৌবা হাইৱে শেমগৎপদা অয়াবা পীরে। মহাকা হায়- প্রোজেক্ট অসিনা অৱাং নোংপোক লমদম চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মন্ত্রিনা হায়- হাইৱে অসিগী অশাংবনা কিলোমিতর ১৬৬ নি অমসুং মসিনা মণিপুর, মিজোরম, ত্রিপুরা অমসুং অসামগী বরাক ভেল্লিগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং মুম্বাইগী জিও ৱার্ল্ড কনভেন্সন সেন্তরদা ৱার্ল্ড ওদিও-ভিজ্‌য়েল ইন্তরটেমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) ২০২৫ হৌদোক্লগনি। নুমিৎ মরিনি চথুগদবা মীফম অসিনা ক্রিয়েটরশিং অমসুং লৈবাকশিংবু শমহন্দুনা ভারতপু মিদিয়া ইন্তরটেনমেন্ট অমসুং দিজিতেল ইনোভেসনগী লমদা গ্লোবেল হব ওইহন্নবনি। মীফম অসিনা ফিলম, ও.টি.টি, গেমিং, কোমিক্স, দিজিতেল মিদিয়া, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ব্রোদকাষ্টিংনচিংবা লমশিং পুনশিনহনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মীফম মনুংদা অহানবা ওইনা ভারতনা গ্লোবেল মিদিয়া দাইলোগ যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা লৈবাক ২৫ গী মন্ত্রালয়শিং শরুক য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ  লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা চত্থরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়রস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- নম্বোল কেন্দ্রনা ওইনাম কেন্দ্র বিবু পাঞ্জল ২৩-১৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ  ওল ইন্দিয়া জ্নিয়র সেলেক্সন কমিতিনা ইন্তর সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স অন্দর নাইন্তিন বোইজ তুরনামেন্ট ২০২৫ দা শরুক য়ানবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম.এন.সি.এ)গী শান্নরোই ৮ খল্লক্লে হায়রি। বেঙ্গলুরুগী বি.সি.সি.আই সেন্তর ওফ এক্সেলেন্সতা মথং থাগী ৬ তগী ১৬ ফাওবা চত্থগদবা তুরনামেন্ট অদুদা শরুক য়ানবা খল্লকখ্রবা শান্নরোই ৮ অদুদি- নিংথৌজম থোইবা, খুন্দ্রাকপম পুন্সিবা, এম.দি. অকিল অহমদ ফুন্দ্রেমযুম, সেরাম রোবিনসন, হৈস্নাম জোয়হেনবা, রেন উরিকখিনবম, সাইখোম কাইকু অমদি গনিস খাননি।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ১৯ মখাগী নুপীগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সিবু রন ২১৬ তা, এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা অল অমিন লিলোংবু রন ২১১ দা, টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্বু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।  আর.সি.এ লিলোং অমদি ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল নোংনা মরম ওইরগা মেটচ শান্নখিদ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ চহি ১৯ মখাগী নুপাগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান দে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু রন ১০১ দা, মোদেল শিংজমৈ চীংঙামখানা কে.এ.এস.সি খোমিদোকপু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ অৱাং লৈকিনথবী মোর্দন য়ুথ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চঙখরিবা অহানবা অৱাং লৈকিনথবী ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা শলাম য়ুথ অপুনবা এফ.সিনা হি য়াই এফ.সি লুৱাংশংবমবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনিসুবা মেটচতা পি.সি.এফ.সি সেকমাইনা অৱাং লৈকিনথবী মোর্দন য়ুথ এসোসিয়েসন-এবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ৩ শুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ফুটবোল ট্রোফি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এনদেবর এফ.সি ৱাংজিংনা এম.এফ.সি.সি ৱাংজিংবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। এস.দি.ও শিংজমৈনা তেরা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অহুমসুবা মেটচতা শঙ্গাইয়ুম্ফম এফ.সি অমদি জে.জে. টাইগর এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

------